**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.45 PM**
**(Date: 29-05-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মনিপুরগী চীফ সেক্রেটরি- প্রসান্ট কুমার সিংহনা হায়রি- মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী বসতগী মনিপুর থাবা ৱাহৈ মুখৎলু হায়না খঙহনখিবা লৈতে।

২) কেন্দ্রগী রোদ, ট্রান্সপোর্ট অমসুং হাইৱেজ অমদি কোর্পোরেট এফ্যারস রাজ্য মন্ত্রি হর্স মালহোত্রনা ঙসি তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংশিং য়েংশিনখ্রে।

৩) নুমিৎ ১৫ চুপা চত্থগদবা লৌমীশিংগী কেম্পেন ভিক্সিত কৃষি সংকল্প অভিয়ান মণিপুরদসু ঙসি রাজ্য থাক্তা হৌদোকখ্রে।

৪) ইন্দিয়া মেট সেন্তর ইম্ফালনা হায়রি- লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা ময়াই ওইরপ কনবদগী য়ামা কনবা মওংদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নোং চুরবা য়াই।

অমসুং

৫) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- লৈবাক অসিদা ঙাংনরিবা তোঙান তোঙানবা লোল অমসুং দাইলেক্ট লোলশিংনা ঐখোয় ভারত মচানি হায়বদু খঙহনবা ঙমলি।

------

সেক্রেটরি (এল)ঃ মনিপুরগী চীফ সেক্রেটরি- প্রসান্ট কুমার সিংহনা হায়রি- মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী বসতগী মনিপুর থাবা ৱাহৈ মুখৎলু হায়না

খঙহনখিবা লৈতে। নুমিৎ অদুদা থোকখিবা থৌদোক অদু করমা থোকখিবনো হায়বদু ইনক্বারি কমিতিগী রিপোর্ট পীখৎলক্লবা মতুংদা খঙগনি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ঙসি ইম্ফালগী ওল্ড সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী পি.কে. সিংহনা হায়- ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী থ্বালতাবীদা থোকখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা রাজ্যপালনা হোম কম্মিস্নার অমদি ইনর্ফোমেসন এন্দ টেকোলোজিগী সেক্রেটরি য়াওনা ইনক্বারি কমিতি অমা শেমখ্রে। মদুগী রিপোর্ট পীখৎলক্লবা মতুংদা থোকখিবা থৌদোক অদু করমা থোকখিবনো হায়বা খঙবা ঙম্লগনি। রিপোর্ট অদু হেক লাকপগা চেন্নবশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎকনি। অসিগুম্বা থৌদোক অসি মতুংদা অমুক হন্না থোকহল্লোই।

পাউগী মীফম অদুদা সেক্যুরিতি এদভাইজর কুলদিপ সিংহসু শরুক য়াখি।

ভল্লা (এল)ঃ নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎতা মণিপুরদা লাকখিবা কেন্দ্রগী রোদ, ত্রান্সপোর্ট অমসুং হাইৱেজ অমসুং কোর্পোরেট এফ্যারস রাজ্য মন্ত্রি হর্স মালহোত্রনা ঙসি তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংশিং য়েংশিনখ্রে। মহাকা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা রাজ ভবনদা উন্নদুনা রাজ্য অসিদা পায়খৎলিবা নেসনেল হাইৱে অমসুং ইকোনোমিক কোরিদোর শেমগৎ শাগৎপগী প্রোজেক্টশিংগী মতাংদসু ৱা খন্নখ্রে।

কেন্দ্রগী রাজ্য মন্ত্রি অসিনা ঙসি কাংপোকপীদা চত্তুনা মফম অদুগী নেসনেল হাইৱে টু (ইম্ফাল-কোহিমা) লম্বী শেমজিন শাজিল্লিবা অদু য়েংশিনখি। নেসনেল হাইৱে এন্দ ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিতেদকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং য়াওনা চৎথখিবা প্রোজেক্ট য়েংশিনবগী থবক লোইরবা মতুংদা মন্ত্রিনা কিলোমিতর ৯৭ শাংবা লম্বী মতেক অসি মথং চহিগী দিসেম্বর ফাওবদা মপুং ফানা লোইশিনবা ঙম্লবা য়াই হায়না ফোংদোকখি।

মসিগী মতুংদা, শ্রী মালহোত্রনা তেংনৌপল জিলাদা চত্তুনা মফম অদুদা লৈবা তোঙান তোঙানবা সরকারগী লোইশঙশিংগী মকোক থোংবা

ওফিসিয়েলশিংগা লোয়ননা চাওখৎ থৌরাংগী পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিং মতৌ করমা অমদি করম্বা ফিভমদা লৈরি হায়গী মতাংদা মীফম অমা কৌদুনা খন্নখি। তুংদা, রাজ্য মন্ত্রি অসিনা এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলগী একজিক্যুতিভ দাইরেক্তর এম.এস. দেৱালগা লোয়ননা রাজ ভবনদা রাজ্যপালগা উন্নখিবনি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা ইম্ফালদা থুংলখিবা রাজ্য মন্ত্রি অসিনা মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা মোরেদা চত্তুনা মফমদুগী শেমগৎ শাগৎলিবশিং য়েংশিল্লমখি।

গর্ভনর (এল)ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা সভাপতি ওইদুনা গভর্নর ইন কাউন্সিলগী মীফম অমা ইম্ফালগী রাজ ভবনগী কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরিশিং, কম্মিসনারশিং, সেক্রেটরি টু গর্ভনর অমদি এদমিনিষ্ট্রেতিভ সেক্রেটরিশিং শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা শিক্ষা অমসুং মেদিকেল মহৈরোইশিংগী ট্যুসন ফিগী মতাংদা খন্নখি। মীয়ামদা সরকারগী স্কিমশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা খুদোংচাবশিং হকথেংননা ফংহন্নবগী মতাংদা মীফম অদুনা কুপা খন্নখি।

কম্যুনিতি রেদিও (এল)ঃ মণিপুরদা চলাইরিবা কম্যুনিতি রেদিও ষ্টেসন খরনা অকাশবানি ইম্ফালগী পাউ লাইভ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী সি.আর.এস সেলগা থমখিবা য়ান্ন-চেরোল থুগাইরে হায়রদুনা মখা তানা অসিগুম্বা থৌওং অসি থেংনবা তারবদি আইনগী মতুংইন্না লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎলগনি হায়রি।

অকাশবানি ইম্ফালনা কেন্দ্রগী মন্ত্রালয় অসিনা পীবা নিতি নিয়মগী মতাংদা থোকপা চেরোল অমনা হায়- কম্যুনিতি রেদিও ষ্টেসনশিং অসি মশাগী য়াল্লবদা ট্রান্সমিসনগী পৱার ৱাট ১০০ দগী শুকহেন হেল্লোইদবনি অমদি অককবা এরিয়া খক্তদা শন্দোক্লদবনি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা অকাশবানি ইম্ফালগী পাউ লাইভ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা এরিয়াগী অককবা থমদনা পাড শন্দোকপা অসি মন্ত্রালয়গা য়ান্নখিবা ৱাফমশিং অদু থুগাইবনি। মসিগী মথক্তা থার্দ পার্তি এপপস

শিজিন্নরিবা মীওইশিংনসু অকাশবানি ইম্ফালগী পাউ লাইভ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা শনে দাক্লিবা অসি মখল অমত্তগী অয়াবা লৈতে। মরম অদুনা হায়রিবা কম্ম্যুনিতি রেদিও ষ্টেসনশিং অমসুং থার্দ পার্তি এপপ চলাইরিবা মীওইশিংনা মখা তানা লাইভ ষ্ট্রিমিং তৌরম্লবদি আইনগী মতুংইন্না থবক লৌখৎলগনি।

আইসিএআর (এল)ঃ  ন্‌মিৎ ১৫ চুপা চত্থগদবা লৌমীশিংগী কেম্পেন ভিক্সিত কৃষি সংকল্প অভিয়ান মণিপুরদসু ঙসি রাজ্য থাক্তা হৌদোকখ্রে।

ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ এগ্রিকলচরেল রিছার্স (আই.সি.এ.আর)গী রিছার্স কমপ্লেক্স, এন.ই.ঐচ রিজন মণিপুর সেন্তর অমদি কৃষি বিগ্যান কেন্দ্র (কে.ভি.কে)না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৰা ঙাংবদা রাজ্য সভাগী এম.পি. মহরাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়- মীওইবা খুদিংমকপু হিংহনবা ঙম্লিবা অমদি মীয়ামগী চীঞ্জাক ৰাৎতা পুথোকপগী শিনফম পায়রিবা লৌমীশিংবু লাইনা লৌবা য়ারোই। লৌমীশিংনা পায়রিবা শিনফম অসি খ্বাইদগী মরুওইবা শিনফমনি হায়না লৌগদবনি। মহাকা হায়- ভিক্সিত কৃষি সংকল্প অভিয়ান অসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমদি কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান অনিগী লীচিং মখাদা রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরি খুদিংমক্তা কালেন লৌরোক্কী মাংওইননা কেম্পেন চত্থনবা পাঙথোকপনি। অভিয়ান অসিগা মরী লৈননা লৌমীশিংনা খঙনিবশিং লৈরবদি টেলিফোন নম্বর **01125846410** অমদি **01125840184** ফোন তৌদুনা খঙবা য়াগনি।

ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা লোক্তাক ফারমর্স হোষ্টেলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রাজ্য সরকারগী হোর্তিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসনগী কম্মিসনার থাইথুইলুং পামৈ অমদি আই.সি.এ.আর রিজনেল সেন্তরগী হেদ- ডাঃ সি.ঐচ. বাসুদা দেবীসু শরুক য়াখি।

চান্দেল জিলাদসু ঙসি আই.সি.এ.আরগী মখাদা লৈবা কৃষি বিগ্যান কেন্দ্র (কে.ভি.কে) চান্দেলনা শিন্দুনা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চত্থগদবা ভিক্সিত কৃষি সংকল্প অভিয়ান হৌদোকখ্রে। কেম্পেন অদু চান্দেলগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ওফিস কমপ্লেক্সতগী জিলা অসিগী এ.দি.সি, এ.দি.এম-

এম.দি. ফিরোজ খান্না লমথারবা মতুং জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা লৌমীশিংগী ওইবা পুন্না খঙমিন্নবগী থৌরমশিং পাঙথোকখি।

থৌরম অসি নোনে জিলাগী তুপুলদসু আই.সি.এ.আর মণিপুর সেন্তরগী মীৎয়েং মখাদা কৃষি বিগ্যান কেন্দ্র তমেংলোংনা শিন্দুনা পাঙথোকখি। হৌদোকপগী থৌরম অদু আই.সি.এ.আর, সি.এ.য়ুগী বৈগ্যানিকশিং, কে.ভি.কেগী সবজেক্ট মেটর স্পেসিয়েলিষ্টশিংগী টিম অহুম লমথাবগা লোয়ননা হৌদোকখি। থৌবাল জিলাদসু কেম্পেন অসি জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিসনার হন্না কামৈনা দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতা ঙসি হৌদোকখি। থৌরম অদুদা দিপ্যুতি কম্মিসনারনা হায়- কেম্পেন অসিনা লৌমীশিংদা অনৌবা লৌউ পথাপ শিজিন্নবগা লোয়ননা পোত্থোক হেন্না পুথোকপগী মতাংদা নিংথিনা ভাব তাহনগনি। কেম্পেন অসিগী মনুংদা থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাশিংগী তোঙান তোঙানবা খুঙ্গং ১০৮ দা লৌমীশিংবু নিংথিনা ভাব তাহনবগী থৌরম পাঙথোক্কনি। লোয়ননা সরকারগী তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মতাংদসু মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনগনি। কেম্পেন অসি মথং থাগী ১২ ফাওবা চত্থগনি।

মাষ্টেক (এল)ঃ মণিপুর সাইন্স এন্দ টেকোলোজি কাউন্সিল (মাষ্টেক) ইম্ফালনা ঙা য়োকপা অমসুং লৈ থাবা লৌমীশিংগা খুৎশমরকা ১০ শুবা রাজ্য থাক্কী এক্কারিয়মদা য়োকপা ঙা অমসুং লৈগী মেলা অমা ঙসিদগী ইম্ফালগী দি.এম. য়ুনিভর্সিতি কেম্পসতা লৈবা মণিপুর সাইন্স এক্কারিয়মদা হৌখ্রে।

মেলা অসি লমদম অসিদা লৈরিবা ঙা য়োকপা অমসুং লৈ থাবনা শিনফম ওইবা ওন্তরপ্রেন্যুরশিংবু পুকিং থৌগৎনবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। লমদম অসিদা মহৌশাদগী ফংবা ঙা মখল অমদি লৈ মখল য়োকখৎতুনা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনবা অমসুং লমদম অসিগী অকোইবগী ফিভমবু মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবগী পান্দমদা মেলা অসি পাঙথোকপনি হায়রি। নুমিৎ ৭ নি চুপা চত্থগদবা মেলা অসিদা লমদম অসিগী মহৌশাদগী লৈরক্লবা ঙা মখলশিং, বোন সাই শেন্নবা পাম্বীশিং অমদি অতৈ লম কয়াদা অথোই অহেন তান্নবগী থৌরম পাঙথোক্কনি হায়রি।

দিএম (এল)ঃ   দি.এম. কলেজ ওফ টিচর ইজ্‌কেসন (দি.এম.সি.টি.ই) ইম্ফালনা চত্থরিবা এন্যুএল কম্ম্যুনিতি কন্টেক্ট প্রোগ্রামগী মনুং চন্না ঙসি নোংমগী ওইবা চেংগুম থাবা অমদি চোক্লেট শেন্বগী মতাংদা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

কলেজ অসিগী জ্‌বিলি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মিসন ফোর ইন্তিগ্রেতেদ দিভলপমেন্ট ওফ হোর্তিকলচরগী মিসন দাইরেক্তর তুংগোং পামৈ, দি.এম.সি.টি.ইগী প্রিন্সিপাল ডাঃ কোনিকা খুরাইজম অমদি আই.কিউ.এ.সিগী কোওর্দিনেটর ডাঃ অনিতা কাংঙাবম শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা অখঙ অহৈশিংনা চীঞ্জাক্তা মীপাল তাংদনবা হোৎনবদা মীয়াম পুন্না মতম মাংহন্দনা শুবা নোম্বগী হৈনবী লৈগদবনি। মসিনা রাজ্য অসিগী শেনমিৎলোন ফগৎহনবদা হেন্না মতেং ওইরগনি হায়না ফোংদোকখি।

ফোরেষ্ট (এল)ঃ   মণিপুর ফোরেষ্ট ত্রেনিং ইন্সটিট্যুট লুৱাংশংবমগী ৫১ শুবা কনভোকেসন ঙসি পাঙথোকখ্রে। ফোরেষ্ট গার্দ বেটচ ২০২২-২৩ অমদি ফোরেষ্ট গার্দ বেটচ ২০২৩-২৪ গী ত্রেনিং লোইরবা ফোরেষ্ট গার্দশিংগী কনভোকেসন থৌরমদা প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জার্ভেতর ওফ ফোরেষ্ট অমদি হেদ ওফ ফোরেষ্ট ফোর্স লোয়ননা এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেটরি ত্রাইবেল এফ্যারস এন্দ হিলসসু ওইরিবা অনুরাগ ভাজপায় শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা টোপ ত্রেনিং এৱার্দ, বেষ্ট প্রাক্তিকেল ফোরেষ্টর এৱার্দ অমদি গুদ কন্দক্ট এৱার্দশিংসু খুৎশিন্নখি।

নোং (এল)ঃ   ইন্দিয়া মেট সেন্তর ইম্ফালনা হায়রি- লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা ময়াই ওইরপ কনবদগী য়ামা কনবা মওংদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নোং চুরবা য়াই। মসিনা মরম ওইরগা উখ্রুল, সেনাপতি, কামজোং, তমেংলোং, তেংনৌপল, চান্দেল অমদি ফেরজোল জিলাদা চীং নিংখায়বা অমসুং লৈখোম চেন্থরকপা য়াবগী মীপাইবা লৈরে হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুরদা নোং লেপ্তুনা তাবনা মরম ওইরগা ইম্ফাল অমদি মসিগী অকোইবদা লৈবা অকুৎপা মফমশিংদা ঈশিং থুমজিল্লে।

মরক অসিদা, ইথায় বরাজগী গেট হাংদোক্তবনা মরম ওইদুনা হৌজিক গেট অসিগী মথক্তা ঈশিং চেল্লে হায়রি। ঐখোয়গী বিষ্ণুপুর পাউমী আর.কে. মণিপুরসনানা ওফিসিয়েলশিংগী পাউ পল্লদুনা হায়- থা অসিগী ২৭ কী অয়ুক ফাওবদা ইথায় বরাজগী গেটশিং অসিদা ফংলিবা ঈশিংগী ঈমায় অসি মিতর ৭৬৯.৩ ওইরম্মী। অদুবু ঙসি অয়ুক অঙনবদা ঈশিংগী ঈমায় হেনগৎলক্তুনা মিতর ৭৬৯.৫৪ য়ৌরে। মসিনা মরম ওইদুনা ডাম অসিগী মমাং থংবা শরুক্তা লৈরিবা লৌ অমদি ঙাওয়োক ফার্মশিং পাক্তকনা ঈশিং থুমলে। মরম অদুনা মীয়ামগী অৱাবা য়েংলগা ডামগী গেটশিং হাংদোকপীনবা মীয়ামা তকশিল্লক্লি।

অমরোমদা, মেট দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা পিখিবা ৱেদর রিপোর্টকী মতুংইন্না সেনাপতি জিলাদা মথং থাগী ৩ ফাওবা ওরেঞ্জ অমদি য়েল্লো এল্লার্ট লাউথোক্লে। হিরম অসিগা মরী লৈননা দিপ্যুতি কম্মিসনার সেনাপতিনা থোকপা চেরোল অমদা জিলা অসিগী মীয়ামা চেকশিন্না লৈননবা খঙহল্লি।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- লৈবাক অসিদা ঙাংনরিবা তোঙান তোঙানবা লোল অমসুং দাইলেক্ট লোলশিংনা ঐখোয় ভারত মচানি হায়বদু খঙহনবা ঙমলি।

নিউ দিল্লিগী রাষ্ট্রপতি ভবন কলচরেল সেন্তরদা নুমিৎ নিনি চথুগদবা লিটরেরি কনফরেন্স হৌদোকপদা ৱা ঙাংলদুনা রাষ্ট্রপতিনা হায়- অসিগুম্বা থৌরম অমা কেন্দ্রগী কলচর অমসুং সাহিত্য একাদমি মন্ত্রালয়না শিনবা অসি পুকিং থৌগৎনিঙাই ওই। নুমিৎ নিনিগী কনফরেন্স অসিদা কবিশিং উন্নবগী মীফম, ফেমিনিষ্ট লিটরেচর ওফ ইন্দিয়া, সহিত্যনা পুরকপা অওনবা, অওনবনা পুরকপা সাহিত্য অমদি মালেমদা ভারতকী সাহিত্যগী মায়ওন হায়বা হিরম কয়াদা খন্ন-নৈনগনি। থৌরম অসিদা লৈবাক অসিগী মশকনাইরবা লম অসিদা খঙ হৈরবা মীওই কয়া শরুক য়ারি।

দেলিগেসনঃ  পহলগাম টেরর এটেক অমদি পাকিস্তাননা শৌগৎপা টেরোরিষ্টকী থৌওংশিংগী মায়োক্তা ভারতনা চথখিবা ওপরেসন সিন্দুরগী মতাংদা খঙহন্ননবা লৈবাক অসিগী পার্লিয়ামেন্টরি দেলিগেসনশিংনা মালেমগী লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংগা উন্নরি।

দি.এম.কেগী এম.পি- কে. কানিমোরিনা লুচিংবা ভারতকী দেলিগেসন টিমনা গ্রিসকী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিয়েলশিং উন্নদুনা ভারতনা তেরোরিজমবু মুথৎনবা  লেপ্পা লৈতনা হোৎনখিগনি হায়বা ৱাফম ফোংদোকখি। বি.জে.পিগী এম.পি- রবি শঙ্কর প্রসাদনা ভারতনা তেরোরিজমগী মায়োক্তা লেপ্পা অমদি ওপরেসন সিন্দুরগী মতাংদা ইটলিদা লৈবাক অদুগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংগা উন্নখ্রে। অদুগা শঞ্জয় কুমার ঝানা লুচিংবা দেলিগেসন্না ইন্দোনেসিয়া অমসুং শশি থারুরনা লুচিংবা কাংবুনা পানামাগী ওফিসিয়েলশিংগা উন্নখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

চেস (এল)ঃ  অহানবা কংলৈ চেস একাদমি ইন্তর স্কুল চেস তুরনামেন্ট ২০২৫ ঙসিদগী খোংমন মংজিলদা লৈবা লৈমা একাদমিদা হৌদোকখ্রে। তুরনামেন্ট অসিদা তোঙান তোঙানবা স্কুল ৪০ রোমদগী মহৈরোই ১৯৬ না শরুক য়ারি।

ফুটবোল (এল)ঃ  তরুকশুবা কাইয়ো ত্রোফিকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা- মেম্মা এফ.সি তেরাখোংনা সম এফ.সিনা কুম্বীবু পাঞ্জল ৩-২ দা অমদি ইমোইনু এফ.সি টিম-বিনা টাটা ওর্নরস চাইরেল মাংতিংবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

ফূটবোল(এল)ঃ  ৬৪ শুবা সুবোরতো মুখর্জি অন্দর ফিফতিন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচশিংদা ইরৈমা ইংলিস স্কুলনা পিনজাবতি হাইস্কুল ৱাংঙুবু পায়্জল ৫-১ দা অমদি টি.জি. ইংলিস স্কুল বিষ্ণুপুরনা জি.এন.কে ইংলিস স্কুলবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

৬৪ শুবা সুবোরতো মুখর্জি অন্দর সভেন্তিন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচশিংদা ইরৈমা ইংলিস স্কুলনা গুলাপ স্কুলবু পাঞ্জল ৫-৪ দা, টি.জি. ইংলিস স্কুলনা পিনজাবদি হাইস্কুল ৱাংঙুবু পাঞ্জল ৬-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল(এল)ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা চথরিবা অনিশুবা প্রিমিয়ার লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নগদবা মেটচশিং নোংগী ফিভমনা মরম ওইরগা য়ৈথোকখ্রে। ১৫ শুবা সেনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লিগ ২০২৪-২৫ সু য়ৈথোক্লে হায়না ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা হায়রি।

বেদমিন্টন ঃ ভারতকী সটৱিক সাইরাজ রনকি রেদ্দি অমদি চিরাক সেত্তিগী পুংবা সিঙ্গাপুর ওপ বেদমিন্টন তুরনামেন্টকী ক্বাটর ফাইনেল চংখ্রে। মখোয় অনিগী পুংবা অসিনা ইন্দোনেসিয়াগী সবর কেরিয়ামন গুতামা অমদি মোরেজা পালেবি ইসফাহানিবু মায়থিবা পীখিবনি।

------